# অকবর খান হোস্পিটালদা পুবা থেংবদগী লৈখিদ্রে, মসিনি মোদিগী অনৌবা ইন্দিয়া হায়বদু : ৰাহুল গান্ধী



ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৩ (এজেন্সী):
ষন লল্লোনবগী মরাল শিদুনা মীয়াম্না ফুবদা শোক্লবা অকবর খান অকারকবর খান হোস্পিটালদা থেংনা পুখৎপনা মরম ওইরগা খুদোংথিবা মায়োক্লখিবনি। অলৱারদা মীয়াম্না ফুবদা মীওই অদু পুলিসনা খুদক্তা হোস্পিটালদা পুবগী মহুৎ চা থক্তুনা লৈথোকখি। মদুগী মতুং মখোয়না হোস্পিটালদা থেংনা পুখি। মসিনি মোদিগী তমথিরবা অনৌবা ইন্দিয়া হায়বদু হায়না কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি লৈঙাক্ত অকনবা মরাল শিখ্রে।

কোংগ্রেসকী লুচিংবা অদুনা মখা তানা হায়, মীয়াম্না ফুবদা ফীভম লুনা শোক্লবা শিবগী ফীভমদা লৈরবা মীওই অদু খুদক্তা শুপ্নতংগী কিলোমিটর তরুক খক্তমক লাপ্পা হোস্পিটালদা পুনবা হোৎনবদা মতম থেংথহনখি। পুং ৩ গী মতুংদা পুখৎখি। মখোয়না চা থক্তুনা লৈথোকখি। মোদিগী অনৌবা ইন্দিয়া হায়বসিদা হঙ্গৈইনিংঙাই ওইরবা থৌদোককয়া থোক্লে। মরুওইনা মীয়াম হুপচিন্দুনা মীওই অমবু ফুবা অমদি হাৎপগী থৌওং কয়া চত্থরি। ষন লল্লোনবনি হায়বগী মরাল শিদুনা মীয়াম্না ফুবদগী শোক্লবা চহী ২৮ লোম শুরবা মীওই অদু হোস্পিটালদা পুবগী মহুত্তা পুলিস পার্সনেলশিং অদুনা মহাক্না পুরকপনি হায়বা ষনশিং অদু কিলোমিটর ১০ লাপ্পা লৈবা সেল্টর হোম অমদা হান্না থম্মনবা হোৎনখি। মদুগী মতুং হোস্পিটালদা শোক্লবা মীওই অদু পুখি। পুলিসনা অশোকপা অদু পুবদা চা থক্তুনা লৈথোকপদগী থেংথহনখি। মীওইল অদু খুদক্তা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরম্লবদি হিংলম্বা য়াবনি হায়না জি ন্যুজগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

রাজস্থানগী হোম মিনিষ্টর গুলাপচান্দ কাটরিয়ানা হায়, মীদিয়ানা পীরকখিবা রিপোর্ট অদু য়েংলগা পুলিসনা শোক্লবা মীওই অদু লায়কন্ননবা হোৎনবদা থেংথখিব্রা হায়বদু য়েংশিল্লগনি হায়রি।

মীদিয়ানা পীরক্লিবা রিপোর্ট অদুনা চুম্লম্লবদি চেন্নবা অমসুং মরী লৈনরিবা মীওইশিংগী মথক্তা চপ চাবা এক্সন লৌখৎকনি হায়খি।

ষন লল্লোনবনি চিংনবা মীওই অমবু মীয়াম চঙদুনা তমথিনা ফুখিবা অমসুং লায়েংনবা হোৎনবদা মতম থেংথখিবা অদুনা মরম ওইরগা মীওই অদু লৈখিদবনি। পুলিসনা মতম চানা য়ৈখায় থিনগাইবগী থবক চত্থরিবা মীওইশিং অদু লাকশিন্নবা হোৎনখিদে। ফীভম লুনা শোক্লবা মীওই অদু খুদক্তা হোস্পিটালদা পুখৎপীবগী মহুত্তা পুলিস পার্সনেলশিংনা অথুম-অহাও চাদুনা লৈথোকখি।

অলৱারদা মীয়াম হুপ্না ফুবদা চহী নৌরিবা মীওই অমা লৈখিদবগী মতাংদা ওপোজিসন পার্টিনা রাজ্য সভা অমসুং লোক সভা অনীমক্তা পুখৎখি। কোংগ্রেসকী লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা সভাদা ফোঙদোকখিবদা, শুপ্নতংগী কিলোমিটর ৬ খক্তমক লাপ্পা লৈবা হোস্পিটালদা অশোকপা মীওই অদু পুখৎতুনা লায়েংবদা করিগীদমক পুং ৩ গী মতম থেংথখ্রিবনো। অদুগুম্বা মীয়াম চঙদুনা ফু-চৈবগী থৌওং অদু খ্বাইদগী হঙ্গৈইনিংঙাই ওইবা অমনি। মদুনা মরম ওইরগা মীওই অদু লৈখিদবনি। অসিগুম্বা থৌদোক্লা থল্লবা লৈবাক অসি মোদিগী অনৌবা ইন্দিয়া হায়বদুরা হায়নসু অকনবা ৱাফম ফোঙদোকখি।

# নাগালেন্দদগী অনী য়াওনা শাদানবা মরি অসামদগী ফারে



গুৱাহাটি, জুলাই ২৩ (এজেন্সী):
লৱার অসামগী দরং দিষ্ট্রিক্টকী ওরং নেসনল পার্কতা রাইনো হাৎননবা হোৎনরম্বা নাগালেন্দদগী অনী য়াওনা মীওই মরি ফারে।

দেপ্যুটি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস অমিট কুমার হোজাইনা লুচিংবা পুলিসকী টিম অমনা শাদানবশিং লৈরে হায়বা অকক্লবা পাউ ফংবদগী লমদম অদুদা ওপরেসন চত্থখি। ফারবা মীওইশিং অদু দালগাও পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কচোমারি সোনারি খুঙ্গংদা লৈবা য়ুম অমগী মনুংদগী ফাগৎখিবনি। মীওইশিং অদুদি নুর হাসিন এলিয়স লেঙ্গ্রা (৫০), অব্দুল হুসেন (৪৫), দানিয়েন য়েপথোমি (২৮) অমসুং অলোবো কিপা ( ২৩) নি হায়রি। নুর অমসুং অব্দুল কচোমোরি সোনারি খুঙ্গংদগীনি অদুগা দানিয়েননা দিমাপুরদগীনি। অদুগা অলোবোনা নাগালেন্দগী জুনহেবোটো দিষ্ট্রিক্টতগীনি হায়রি।

দালগাও পুলিস ষ্টেসনগী ও সী জগদিস শর্ম্মাহনা ফোঙদোরকখিবদা, নুর অমসুং অব্দুলনা ওরং নেসনল পার্কতা রাইনো হাৎননবগীদমক নাগালেন্দদগী সুট্টর অনীদু নেক্তুনা পুরকখিবনি। মখোয় পুম্নমক নুরগী য়ুমদগী ফাখিবনি হায়রি।

পুলিসনা মখোয়দগী ৩০৩ রাইফলস অনী, নাইন এম এম কেলিভর পিষ্টোল অমা, সাইলেচর অমা অমসুং ৩০৩ গী কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরুশিং ফাগৎখি। মীওইশিং অদুনা খুৎশু-খুৎলায়শিং অদু য়ুম অদুগী ষনগোলদা লোৎশিন্দুনা থম্লমখিবনি। শর্ম্মাহনা হায়, ফারবা মীওইশিং অদু কোর্টতা পুথোক্লবা মতুং নুমীৎ হুম্নী পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌথখ্রে হায়রি।

নুর কৌবা মীওই অদু রাইনো হাৎপগা মরী লৈননা মমাঙদা ফারুরবা মীওইনি। নগাও পুলিসনা মমাঙদা কার্বি অংলোংগী উমংদগী মীওই মরি এ কে ৪৭ রাইফল অনী য়াওনা ফাগৎখিবা লৈখ্রে। এ কে ৪৭শিং অদু কাজিরঙ্গা নেসনল পার্কতা রাইনো হাৎপদা শীজিন্ননবা পুরকখিবনি হায়বা খঙবা ঙমখি। লোয়ননা ফারবা মীওই মরি অদু মণিপুরগী চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতা লৈবশিংনি হায়রি।

চহী খুদিংগী রাইনো হাৎপগা মরী লৈননা মীওই কয়া ফাগৎখিবা লৈখ্রে। অদুম ওইনমক ঙসিসু মখা তানা থৌওং অদু চত্থরি হায়রি।

# ভারতিয়া জনতা পার্টি লৈঙাক্না সেন্ট্রেল এজেন্সীশিংবু লান্না শীজিন্নরে : আনন্দ শর্ম্মা



ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৩ (এজেন্সী):
সেন্ট্রেল এজেন্সীশিং মরুওইনা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) অমসুং ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেট (ঈ দি) বু পোলিটি-কেলগী ওইবা খুদোংচাবা লৌনবা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) লৈঙাক্না লান্না শীজিন্নরে হায়না ওপোজিসন ওইরিবা কোংগ্রেসকী লুচিংবা আনন্দ শর্ম্মানা মরাল শিখ্রে।

জিরো অৱারগী মতমদা লুচিংবা অদুনা হায়, চপ মান্নবা পুলিস কমপ্লেন অমসুং কেস কয়া সী বি আই, ঈ দি অমসুং দি আর আইনা রেজিষ্টার তৌরি। এজেন্সীশিং অদু পোলিটিকেলগী ওইবা খুদোংচাবা লৌননবগীদমক শীজিন্নবা য়াবা ইনষ্ট্রুমেন্ট অমা নত্তে হায়খি।

শর্ম্মানা হায়, মতিক চাবা ৱায়েল অমসুং শেঞ্জা-থুমজাগী থবক থৌওংশিং ময়েক শেংনা খায়দোকপা তঙাইফদবা লৈ। ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সীশিংনা মীওই কাঙলুপ খরদা মরাল শিননবগী থৌশিল চৎখে। মদু লৈঙাক অসিনা লান্না শীজিন্নবনি হায়না লৌগনি। অদুগুম্বা সেন্ট্রেল ইন্টলিজেন্স এজেন্সীশিং অদুনা করম্বা কেসশিং পায়গদবনো হায়বদু ময়েক শেংদে হায়খি।

নাকল অমরোমদা, পার্লিয়ামেন্টরি এফেয়রসগী ষ্টেট মিনিষ্টর বিজয় গোয়েলনা হায়, শর্ম্মানা ইনভেষ্টি-গেটিং এজেন্সীশিংগী পূক্নিং হন্থহন্নবা হোৎনরি। মদু চুমদবা অমনি। লৈবাক অসিগী থিজিন হুমজিনবগী লমদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা সেন্ট্রেল ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সীশিংদা পূক্নিং হন্থহন্নবা মরাল শিবগী থবক তৌরোইদবনি হায়খি।

মদুদা নত্তনা রাজ্য সভাগী চ্যেরমেন এম ভেংকয়া নাইদুনা হায়, লোনা য়াবা মওংদা থবক তৌবনি। আনন্দ শর্ম্মানা এজেন্সীশিংবু পূক্নিং হন্থহন্নবা হোৎনরে। চপ মান্নবা কেসশিংদা এফ আই আর তোঙান তোঙান্না লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈতে। ফীভম অসিদা লৈঙাক্না করিগী তুমীন্না লৈশিল্লিবনো হায়না আনন্দ শর্ম্মানা মখা তানা এটেক চত্থখ্রে।

# লোক সভা মীখলদা বি জে পি মথন্তা মীখল থেংননবা শেম-শাগদবনি হায়না পার্টি ৱার্করশিংদা খঙহনখ্রে



মুম্বাই, জুলাই ২৩ (এজেন্সী):
শিব সেনাগা চুংশিন্নবগী ৱাফম কায়খ্রবা মতুং ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) গী প্রসিদেন্ট অমিট শাহনা পার্টি ৱার্করশিংদা লোক সভা মীখলদা পার্টি অমত্তগা চুংশিন্নদনা বি জে পিনা মরোমদোম খক্তা ওইনা মীখল থেংননবা অকনবা ৱাফম ফোঙদোকখ্রে।

লুচিংবা অদুনা মখা তানা বুথ লেবেল ৱার্করশিংদা খঙহনখিবদা, লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০১৯ গী লোক সভা মীখলদা বি জে পিনা চুংশিন্নবা য়াওদনা মীখল থেংননবা শেম-শাগদবনি। কুমজা ২০১৯ গী মীখলগীদমক ফাইট তৌননবা শেম-শারসি। মদুগীদমক মহারাষ্ট্রাগী বুথ লেবেলশিংদা লৈরিবা ৱার্করশিংনা চপ চাবা থবক পায়খৎকদবনি।

বুথ অমমমদা লৈরিবা ভোটর চাদা ৫০ গী মথক্তা বি জে পিনা ফংননবা হোৎনগদবনি। লমদম অদুদা শিব সেনা য়াওনা তোঙান তোঙানবা পার্টিশিংগা মায়োক্লনা মীখল থেংনননবা শেম-শাগদবনি। মহারাষ্ট্রাদা পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুএন্সি ৪৮ লৈ। কনষ্টিট্যু-এন্সিশিং অদুদা ৱার্করশিংনা চপ চাবা থৌশিল পায়খৎনবা শেম-শাবা হৌরগদবনি। বি জে পিনা ঙসি ফাওবদা অকনবা ৱাফম অমত্তা ফোঙদো-ক্ত্রিবনি। কুমজা ২০১৪ গী মীখলদা বি জে পিনা শিব সেনাগা পুন্না চুংশিন্নদুনা মীখল থেংনখিবনি। মদুদা বি জে পি চাউনা মায় পাকখি। ষ্টেট কয়াদা ফীভম ফগৎলকপনা বি জে পিনা মতম অদুদা খ্বাইদগী মশিং য়াম্না সিট ফংবা পার্টি ওইখিবনি।

কোংগ্রেস অমসুং মহাক্না চৎমিন্নবা কাঙবুশিং মতম অদুদা তোঙান তোঙান্না মীখল থেংনখিবনি। মদুতা নত্তনা ষ্টেট এসেম্ব্লীদসু বি জে পিনা মীখল মতুংদা শিব সেনাগা চুংশিন্নখি। লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০১৯ গী মীখল অসিদদি চুংশিন্নবা য়াওদনা বি জে পিনা মীখল থেংনগনি। হৌখিবা থা খরা অসিদা শিব সেনাগা লৈনবা মরী অফবা ফীভম অমদা লৈতে। শিব সেনানা নুমীৎ খুদিংগী বি জে পি অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মথক্তা এটেক চত্থরি। মদুতা নত্তনা শিব সেনাগী মাউট পিছ অমা ওইরিবা সমানা পাউচেনসু প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং বি জে পিগী মায়োক্তা অকনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লিবনি হায়খি।

# আই-এমগী কিলোন্সর অমা রিজাইন তৌখ্রে

দিমাপুর, জুলাই ২৩ (এজেন্সী):
নেসনল সোসিএলিষ্ট কাউন্সীল ওফ নাগালিম-আইসাক/মুইভা (এন এস সী এন-আই এম) গী সিনিয়র কিলোন্সর অমা লূপ অদুগী প্রাইমারী অমসুং এক্টিব মেম্বরশিপতগী রিজাইন তৌখ্রে। পাউ অসিগী মতুংইন্না মীওই অদু অহল ওইশিল্লকপনা মরম ওইরগা ফম থাদোকখিবনি।

এ জেদ জিমি কৌবা ফম থাদোকখ্রবা মীওই অদুনা মীদিয়াদা ফোঙদোরকখিবদা, নাগা ফ্রিদম ফাইটরশিংগী মনুংদা চহী শাংনা লৈরকপশিংগী মনুংদা মহাকসু অমনি। মশাগী চহী ৬৩ শুরকপগা লোয়ননা লূপ অদুদা মতম শাংনা থবক তৌরম্মী। ফীভম অমসুং মতমগা মরম ওইরগা মহাক কিলোন্সরগী ফম থাদোকখিবনি হায়খি। মতম শাংনা নাগা নেসন অমগী থবক তৌরকপদা মহাক্না ফোঙদোকখিবা অকনবা ৱাফম অমদি থবকশিংনা পূক্নিং শোকহনখি-বশিংদা ঙাকপীনবসু হায়জখি হায়রি।

# দিল্লিগী দ্বার্কারদা য়ুম নীংখায়বদা মীওই অনী শিরে, অহুম শোক্লে



ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৩ (এজেন্সী):
দিল্লিগী দ্বর্কারগী মনুং চনবা হর্স বিহার লমদমদা লৈবা য়ুম অমগী মথক থংবা শরুক নীংখায়রকপদা য়ামদ্রবদা মীওই অনী শিরে অদুগা অহুম্না অশোক অপন নংখ্রে।

পাউ অসিগী মতুংইন্না খুদোংথিবা থৌদোক অদু ঙসি অয়ুক অঙনবা পুং ১ রোম তাবদা থোকখিবনি। দিল্লিদা য়ুম শাবগী কাঙলোন নীংথিনা ঙাক্তবনা মরম ওইরগা নীংখায়বগী থৌদোক কয়া থোক্লি। গাজিয়াবাদতা মথোল মঙাল ৱাংবা শাগৎলিবা বিল্ডিং অমা নীংখায়রকপদা মীওই তরুক্কী পুন্সি মাংখিবা থৌদোক্কী মতুং পুং খরা লৈরগা নৌনা খুদোংথিবা থৌদোক অদু থোকখি। খুদোংথিবা থৌদোক্তা মীওই অনীগী পুন্সি মাংখিবা অমসুং কয়ানা অশোক অপন নংখিবা অদুবু হকচিন্না লৌবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টর জ্যোগি অদিত্যনাথনা থৌদোক অদুগী মতাংদা থিগৎনবা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রে। অকাস নগর লমদমদা কাঙলোন লান্না য়ুম-কৈ শাগৎপ-শিংগী মতাংদসু মজিষ্ট্রিএল ইনক্বারি চত্থগদবনি হায়না খঙহনখ্রে।

গ্রেটর নোইদাদসু মমাঙ চয়োলদা শাবা লোইদ্রিবা মথোল তরুক ৱাংবা বিল্ডিং অমা নীংখায়বগী থৌদোকসু লৈখ্রে। দিল্লিগী মফম কয়াদা তোয়না য়ুম নীংখায়বগী থৌদোক থোক্লক্লিবা অদু য়েংশিনবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়রি। গ্রেটর নোইদাদা মথোল মঙা ৱাংবা য়ুম অমসু নীংখায়খ্রবনি। মদুতা নত্তনা সবেরি খুঙ্গংদা বিল্ডিং অনী মথং মথং নীংখায়খ্রে। অদুগুম্বা থৌদোক অদুদা নুপী অনী য়াওনা মীওই ৯ গী পুন্সি মাংখিবনি হায়রি।

# রেপ, মী হাৎপগী কেসতা চেন্নবা জুবেনাইল কনভিক্টশিং শিবগী চৈরাক পীবা য়ারোই : সুপ্রীম কোর্ট




ইন্দোর, জুলাই ২৩ (এজেন্সী):
তমথিবা ক্রাইমশিং মরুওইনা ঈকায় খুম্নবা মাংহনবা অমসুং মী হাৎপগী কেসতা চেন্নবা চহী শুদ্রিবা অঙাংশিং শিবগী চৈরাক পীবা য়ারোই হায়না সুপ্রীম কোর্টকী জুবেনাইল জষ্টিস কন্মিটিগী চ্যেরমেন জষ্টিস মদন দি লোকুরনা ফোঙদোকখ্রে।

লোকুরনা হায়, অদুগুম্বা তমথিবা কেসশিং অদু ৱায়েল পীবা হায়বদু খুদম চাংদমগী মখা পোনগনি। মী হাৎপা, ঈকায় খুম্নবা মাংহনবা খুদিংমক শিবগী চৈরাক পীগদবনি হায়বা লৈতে। মরমদি লৈবাক অসিগী কোর্ট অসি মী হাৎনবগীদমক লৈবা নত্তে হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

চহী ১৮ শুদ্রিবা অদুগা ১৭ শুবা নৎত্রগা চহী ১৮ নকশিল্লক্লবা মীওইশিংনা তমথিবা ক্রাইমশিং অদুদা চেন্নরবদি শিবগী চৈরাক পীবা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। অদুগুম্বা ফীভম অদু মহাক্তি পামদে। মীপুম খুদিংমক্না খুদম চাংদম হায়বসিদা য়ুম্ফম ওইদুনা থবক তৌরিবনি। লোয়ননা ৱারোইশিন অদু পুরক্কদৌরিবনি হায়খি।

ফোর্থ ৱেষ্টর্ন রিজনল কন্সটেসন ওন ইফেক্টিব ইমপ্লিমেন্টেসন ওফ জুবেনাইল জষ্টিস এক্ট ২০১৫ গী ইনেদারদা পাঙথোকপা থৌরমদা লোকুরনা মখা তানা হায়, অঙাংশিংবু সেক্সুএল ওফেন্সতগী ঙাকথোকপা হায়বদু তঙাইফদবা অমনি। অদুম ওইনমক মদুগীদমক চপ চাবা কোর্ট অমা মথৌ তৌবা লৈতে। হিরম অদুগী মতাংদা চপ চানা মথৌ তৌবা কোর্ট লৈহনবগী তঙাইফদবা লৈ। প্রিভেন্সন ওফ চাইল্ড এগেনষ্ট সেক্সুএল ওফেন্স কোর্ট নীংথিনা মথৌ তৌরব্রা। মখোয়না নীংথিনা থবক তৌরি হায়না লৌগদ্রা। হিরম অসিগী মতাংদা মখা তানা য়েংশিনবা অমদি থিগৎপগী তঙাইফদবা লৈ। মদুদা শোয়দনা উগনি। মদুদি পোক্সো কোর্ট নীংথিনা মথৌ তৌদে। করি মরমগীনো অমদি করম্বা খুদোংচাদবা লৈবগীনো হায়বদু খঙদোক্কদবনি হায়খি।

স্পেসল কোর্টশিংনা অঙাং অমসুং জুবেনাইলগী থাক্তা লৈরিবা কেসশিং মরুওইনা লৌই। চাইল্ড রাইটস প্রোটেক্সন ষ্টেট অমসুং সেন্টরনা নীংথিনা মথৌ তৌহন্নবা হোৎন-গদবনি। অঙাংশিংগা মরী লৈনবা কেস কয়া মাংদুনা লৈরে হায়খি।

# হিমাচল প্রদেশকী মন্দিদা য়ুম মৈ চাকপদা মীওই মঙা শিরে




মন্দি, জুলাই ২৩ (এজেন্সী):
হিমাচল প্রদেশকী মন্দিদা মী লৈনবা য়ুম অমা মৈ চাকপদা য়ামদ্রবদা ইমুং অমগী মীওই মঙা শিরে। ঙসি অয়ুক অঙনবদা থোকখিবা তমথিবা মৈ চাকপগী থৌদোক অদুদা ইমুং অমগী মীওইশিং অদু লৈখিদবনি।

অহানবা ওইনা ফংবা রিপোর্টকী মতুংইন্না মৈ অদু সিলিন্দর পোকখায়-বদগী হৌরকখিবা ওইগনি হায়রি। মী কুংনা তাবা নের চোঙ্কতা লৈবা বিল্ডিং অদু তমথিবা মওংদা মৈ চাকখিবা অদুনা মরম ওইরগা থোকপা য়াদনা লৈরম্লবা মীওই কয়াবু দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিটিনা পুথোক্লবা হোৎনখি।

খুদোংথিবা থৌদোক থোক্লে হায়বা পাউ হেক ফংবগা ফায়র ইঞ্জিন অহুম চঙশিন্দুনা মৈ অদু মুত্থৎনবা হোৎনখি। খুদোংথিবা নংলবা বিল্ডিং অদুগী মনুংদা মীওই কয়া লৈরমখিগনি হায়বগী মীপায়বা লৈরি। ফায়র ফাইটরশিং মফম অদুদা চঙশিনবগা লোয়ননা মী কনবগী থবক মখা তানা চত্থরি। ফীভম অদু অরুবা অমা ওইবনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না অহেনবা মী কনবা কাঙবুশিং থাজিনখ্রে হায়রি।

মন্দি দিষ্ট্রিক্ট মজিষ্ট্রেট রুগা বেট থাকুর খুদোংথিবা নংলিবা মফম অদুদা চৎতুনা ফীভম অদু য়েংশিনখ্রে। ঙসি অথেংবদা মৈ অদু লাকশিনবা ঙমখ্রে। খুদোংথিবা নংলবা মীওইশিংদা পীবা য়াবা মতেং পীনবা হোৎনরি হায়খি।

# মীপুম খুদিংমক্তা শাফবা অমসুং ঙাক শেনবগী থবক মপুং ফানা পায়খৎকনি : সর্বানন্দ সোনোৱাল



গুৱাহাটি, জুলাই ২৩ (এজেন্সী):
ষ্টেট অদুদা কনাগুম্বা অমত্তনা মখুৎতা লো পায়দুনা শীজিন্নবা য়ারোই। লমদম অদুদা তংদু লৈতাবা ফীভম অমা ওইহনগনি। ষ্টেট অদুদা হৌজিক পামদবা থৌওংশিং থোকহল্লকপা লৈতে হায়না অসামগী চীফ মিনিষ্টর সর্বানন্দ সোনোৱালনা ফোঙদোকখ্রে।

নেসনল রেজিষ্টার ওফ সিটিজন (এন আর সী) গী ফাইনেল ড্রাফ্ট পুথোক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা লুচিংবা অদুনা ৱাফম অদু ফোঙদোকখিবনি। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ উনরুরবা মতুং চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, এন আর সীগী ফাইনেল ড্রাফ্ট অদু জুলাই ৩০ দা ফোঙদোক্লগনি।

অসাম সিটিজনশিংগী লিষ্ট, মদুগা মরী লৈননা সিটিজন ওইননবা এপ্লিকেসন থারকপা মতিক চাবা মীওইশিংগী মিংসু খঙহনগনি। মাঙজৌননা এপ্লাইদ তৌখ্রবা মীওইশিং এন আর সীগী লিষ্টতা য়াওরক্তবা থোক্লবসু চপ চাবা থৌশিল অমা পায়খৎতুনা মখোয় এন আর সীগী মখাদা মতিক চাবা নৎত্রগা ইলিজিবল ওইবা অমনি হায়বদু প্রমান পীবা য়াগনি হায়খি।

সোনোৱালনা হায়, মহাক্কী লৈঙাক্না ষ্টেট অদুদা লো এন্দ ওর্দর নীংথিনা ঙাক্কনি। কনাগুম্বা অমত্তনা লোবু মখুৎতা পায়দুনা শীজিন্নবা য়ারোই। মীয়াম্বু ঙাক শেন্নবা অমদি অশোয় অঙাম থোকহন্দনবা লৌখৎপা য়াবা থৌরাং খুদিংমক লৌখৎকনি। এন আর সীগী ফাইনেল ড্রাফ্ট অদু ফোঙলবা মতুং ইন্দিয়াগী সিটিজন অমা ওইবদা করম্বা মীওইশিং মতিক চাবগে হায়বদু খঙলগনি হায়খি।

# ইন্দিয়াগী বোর্দর রোদ ওর্গনাইজেসন্না ভুটানগী ষ্ট্রেটৈজিক রোদ শেম্বা লোইশিনখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৩ (এজেন্সী):
ভুটানগী কোনুং থিম্ফু অমসুং য়ুল্লোন্নবা লৈবাক্কী ঙমখৈদা লৈবা ফুয়েন সোগ্লিংগা শম্নগদবা খ্বাইদগী মরুওইবা ষ্ট্রেটৈজিক রোদ অমা ইন্দিয়াগী বোর্দর রোদ ওর্গনাইজেসন (বি আর ও) না শেম-শাবা লোইখ্রে।

কিলোমিটর ৩০ শাংবা দামচু-চুখা লম্বী অদু চীংগী অঙম্বা অমসুং লৈকুৎ-লৈরাই কয়া ফাওদুনা শেম্বনি। হিমালয়ান লৈবাক অমা ওইরিবা ভুটান্দা ইন্দিয়ানা পায়খৎপা রোদ প্রোজেক্টকী মখাদা লম্বী অদু লুপা ক্রোর ২৮৭ চঙনা শেমগৎখিবনি।

ভুটান্দা ইন্দিয়ানা শেল থাদদুনা ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্ট কয়াসু পায়খৎলি। মদুগী মনুংদা পৱার সেক্তরসু য়াওরি। ইন্দিয়া অমসুং ভুটানগী মরক্তা হেন্না নক্লবা অমদি অফবা মরী লৈহন্নবগী পান্দমদা ইন্দিয়ানা শেল কয়া থাদরি। নৌনা শেম্লবা লম্বী অদুনা লৈবাক অনীগী মরুপ-মপাং ওইবগী মরীদা শিংথানিংঙাই ওইবা অমা ওইরগনি।

মালেমগী মীয়ামদা ঙসি মায় পাক্লা লম্বী শেম-শাবা ঙমখিবা অমসুং হাংদোকখিবা অদুনা ইন্দিয়া অমসুং ভুটানগা লৈনবা মরী অদু তাক্লবনি হায়না ভুটানগী প্রাইম মিনিষ্টর সেরিং টোপগেনা ফোঙদোকখ্রে।

সিনিয়র মিলিটরি ওফিসলগী ওইবা পাউ অমগী মতুংইন্না ভুটানগী প্রাইম মিনিষ্টর সেরিং টোপগে অমসুং লানমীগী সিনিয়র ওফিসলশিংনা লম্বী অদু হৌনবী মতুংইন্না হাংদোকখ্রে।

ইন্দিয়ানা ভুটানবু ষ্ট্রেটৈজিক্কী ওইবা মায়কৈদা মরুওইবা লৈবাক অমা ওইনা লৌই। মরমদি লৈবাক অদু চাইনাগসু য়ুমথংনবা অমদি ইন্দিয়াগী ওইনা সিক্যুরিটিগী মীৎয়েংদা অফবা মরী থম্নবগী তঙাইফদবসু লৈরিবনি হায়রি।

লৈবাক অনীনা হৌখিবা চহী কয়াগী মমাঙদগী দিফেন্স অমসুং সিক্যুরিটিগী লমদা মতেং পীনদুনা লাক্লি। দোক্লাম লমদমদা ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী লানমীশিংনা মমাঙ চহীদা চাউনা উংখৎনখিবা মতমদা ভুটাননা ন্যু দিল্লিদা মতেং পাংখিবনি হায়রি।

ভুটানগী প্রাইম মিনিষ্টর সেরিং টোপগে চৎলিবা থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা ইন্দিয়াদা লাক্তুনা লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈনবা মরী হেন্না ফগৎহন্নবা ৱারী শানখিবসু লৈখ্রে। নৌনা শেম্লবা লম্বী অদুনা খা থংবা ভুটানগী সিটি ফুটসোলিং অমসুং লৈবাক অদুগী কোনুং থিম্ফুগা ফাওনবদা পুং ১ রোমগী মতম হন্থহনবা ঙম্লগনি।

ওফিসল ওইবা পাউ অমগী মতুংইন্না হান্না ফুটসোলিং অমসুং থিম্ফু ফাওনবদা কিলোমিটর ১৯.৫ শাংনা চীংগী অঙম্বা শরুক্তা চখোক চৎশিন তৌরম্বা অদু হন্থহনবা ঙম্লগনি। চীংগী অঙম্বা চীংমায় অমসুং অকনবা রোক মরক্তা লম্বী অদু শেম্ননবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লখি। শিংনবা অমগা লোয়ননা লম্বী অদু শেমখিবনি হায়রি।